ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পল্লেলদা লুপা ক্রোর ১০ চঙনা পল্লেল ইমা কৈথেল শাগদবা মফম ককচীং এ সীগী এম এল এ, এম রামেশ্বরনা মণিপুর পুলিস হাওজিং কোর্পোরেসনগী ওফিসলশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখিবা

লমলাই এ সীগী মনুং চনবা চালৌ, নাপেৎ, লমলাই, পুংদোংবম উয়ুংমখোংদগী অহল ওইরবশিং অমদি মপুরোইবা নৌনা কায়নখ্রবীশিংদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী কো ওপটেদ মেম্বর অচোইবম দেবেননা পেন্সন য়েন্থোকখিবা

SUPERINTENDENT OF POLICE

ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টক্তা শীজিন্ননবা পীরকখিবা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অনী জিরিবামগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. ঈ ওকেন্দ্রোদা খূৎশিন্নখিবা

থোংজু কেন্দ্র ভলন্টরি কোভিদ-১৯ ৱার্করস কম্মিটিনা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মেদিকেল টিমগা খুৎশম্নদুনা খোংমন জোন থ্রীদা লৈবা খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লবকী কম্ম্যুনিতি হোলদা মাস কোভিদ টেষ্টিং তৌখিবগী শক্তম

মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুরখক্তা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবা বোক্সিংগী এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কোনা লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

ভিলেজেস কম্ম্যুনিতি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটি (ভি সী পি সী) গী চীফ এদভাইজর পুয়াম অচৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বোক্সিংগী এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কোনা লৈখিদবা অসিদা ভিলেজ কম্ম্যুনিতি প্রোগ্রেসিভ কম্মিটিনা অৱাবা ফোঙদোকচরি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি), য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুর (য়ু এফ এম), সী পি আই লমলাই লোকল কাউন্সিল, ওল ইন্দিয়া য়ুথ ফেদরেসন অমসুং জিওগ্রাফিক ইনোগ্রেসন মণিপুরনা বোক্সিংগী এসিয়ন গোল্ড মেদলিষ্ট ঙাঙোম দিঙ্কোনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

মহাক্লা লৈখিদবা অসিনা লমদম অসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী ওইনা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অহোবা অমসু লৈহৌরগনি। মহাক্লা লৈখিদবদা ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনসু শরুক য়াজরি হায়রি।

কোভিদ টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসন চথরি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা পান্দমদা থোংজু এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎকী মীৎয়েং মখাদা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোভিদ টেষ্টিং অমসুং ভেক্সিনেসনগী থবক চথরি।

ঙসিসু খোংমন জোন ৱান্দগী ফাইভ ফাওবগী মনুংদা লৈবা কোভিদ টেষ্ট তৌহৌদ্রিবা অমদি ভেক্সিন কাপহৌদ্রিবশিংগী ওইনা মাস কোভিদ-১৯ টেষ্টিং কম ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম অমা খোংমন জোন থ্রীদা লৈবা খোংমন ষ্টুদেন্টস ক্লবকী কম্ম্যুনিতি হোলদা সী এম ও ইম্ফাল ইষ্টকী মেদিকেল টিমগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখ্রে। মদুদা মীওই ১১৪ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়না থোংজু কেন্দ্র ভলন্টরি ৱার্করস কোভিদ-১৯ রিলিফ কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস ইবোবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দ লান্থোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : রুরেল দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসন (আর দি এফ) য়াইরিপোক বামোন লৈকায়গী ত্রষ্টনা নেরেটিভ আর্ট ফোর্মবু চাওখৎননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনরিবা মণিপুর অমদি মপান লমগী ৱারী লীবশিংদা পীবা খাদংবম ইবোতোন্বী মেমোরিএল কলচরেল সেবক অমদি খাদংবম মঙ্গোলঙানবী মেমোরিএল কলচরেল সেবক ষ্টেট লেভেল কেশ এৱার্দ ২০২১ চহী অসিগী ওইনা লান্থোক্লগনি। এৱার্দ অসিগীদমক এপ্লাই তৌনীংবশিংনা মশা মশাগী বাইওদাটাশিং লাক্লিবা জুলাই ১৮ ফাওবগী মনুংদা রুরেল দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী ওফিসতা য়ৌহনবীরকউ। অকূপ্পা মরোলগীদমক ৭০০৫৬৩৪৭৯৬, ৮৯৭৪৬১৪৫৬৬ অমসুং ৮৪১৩৯৬৬৪০৭তা পাউ ফাওবীরকউ হায়না রুরেল দিভেলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ সুরঞ্জয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লাংমৈথেৎতা সোসল ৱার্কর নিংথৌজম জিতেনগী মীৎয়েং মখাদা য়ূমথোং খুদিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙ ওইনা য়েন্থোকখ্রে। কোরোনাগী চৈথেংনা ৱানরবা মতম অসিদা তেংবাঙলকখিবা অসিগীদমক লাংমৈথেৎ য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন্না থাগৎলক্লি।

এম পি সী সীগী ওফিস বিয়রর কয়া নৌনা হাপখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০২২গী ফেব্রুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্বলি মীখলগী মাঙওইননা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদুনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী ওফিস বিয়রর কয়া নৌনা হাপখ্রে।

এ আই সী সীগী প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীদুনা এম পি সী সীগী ওফিস বিয়রর কয়া নৌনা হাপখিবা অসিগা মরী লৈননা এ আই সী সীগী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপালনা ঙসি থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না এম পি সী সীগী নৌনা ওফিস বিয়রর ওইনা খল্লবশিং অদুদি ত্রেজরর ওইনা কে রঞ্জিৎ, ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা এন লোকেন, চালটোলিয়ন আমো, দি দি থাইসি, এ কে মিরাবাই, কে ঐচ জয়কিষণ, কে মেঘচন্দ্র, এন লোকেশ্বর, টি মঙ্গিবাবু, ঈ দ্বিজমনি, আই হেমোচন্দ্র, ডা. কে ঐচ রতনকুমার, এম হেমন্ত, কে ঐচ দেববর্ত্ত অমসুং বিদ্যাবতি সেঞ্জমনি।

জেনরেল সেক্রেটরিশিং ওইনা অলফ্রেদ কে অথর, টি মঙ্গাৱাইফৈ, এম পৃথিবীরাজ, এম দি অমিন শাহ, এল মঙলেম, পুনমরানি ৱাংখেম, এল তিলোতমা, এ প্রমোদিনি, হরেশ্বর গোশ্বামি, এস জিতেন, টি ঐচ সোখো জোর্জ, দল্লি এল হাংসিং, এম দি অমির হুসেন, এম সোভাচন্দ্র, পি সরতচন্দ্র, ডা. এস মনাওতোন অমসুং ঙমলেহোকেন কিপগেননি। অদুগা সেক্রেটরিশিং ওইনা এম রঞ্জিৎ, এস বিরলা, এম দি সিরাজ অহম্মদ, কে ঐচ চাওবা, কে ঐচ রতনকুমার, এম দি বদুর রহমন, সামিনা মালিক বেগম, এল বিরমনি, এস প্রেসোজিৎ শর্ম্মা, দল্লিয়ু রতন, হাওখোসৈ হাওকিপ, কে ঐচ শান্তিকুমার, রতি মঞ্জুরি, এস গোপা, এম দি ৱাহিদুর, এম দি সহানৱাজ খান অমসুং সঞ্জিবা ৱাইখোমনি হায়রি।

'ৱাঙ্গোই এ সীগী মফম কয়াদা চেঙ কেজি ৩/৩ খক্তা য়েল্লে'

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শূফম-নোম্ফম খঙদ্রবা ৱাবনা খম থেংলবা মতম অসিদা মীয়ামগী অৱাবা খরদং কোক্লবা হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীপূম খুদিংমক্তা চেঙ কেজি ৫/৫ য়েল্লু হায়না চেঙ পীথরক্লবসু ৱাঙ্গোই এ সীগী মফম কয়াদা চেঙ কেজি ৩/৩ খক্তং য়েল্লে হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) ৱাঙ্গোই লোকল কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ৱাই ইবোচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এ সী অসিগী মফম খরদা কেজি ৩/৩ খক্তং য়েল্লগা মফম খরদনা কেজি ৪/৪ য়েনবসু য়াওই। অদুবু খ্বাইদগী খুদোংথীরিবা থোংখোঙ লক্সমি বজারগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চনবা ৱার্দ নম্বর ৬তদি চেঙ কেজি ৩/৩ খক্তং য়েনবনা মীয়াম পূম্নমক পেন্নদ্রে অমসুং খোইরাং খোইশাওনহল্লে।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরকপা চেঙশিং অদু শীল্লি-লাংলিবা মীওই খরনা অরেম্বা চেঙয়াম অদু বেগ-বেগ লোন্না লৌশিন্নরিবা করিগীনো হায়না মফম অদুগী মীয়াম্না সী পি আই ৱাঙ্গোই লোকল কাউন্সিলদা খঙহল্লকপদগী ৱাফম অসি লৈঙাক্তা খঙহন্নবা ফোঙদোকচবনি। মতৌ অসিমক্লা মীয়াম্না ৱারবা মতম অসিদা হেন্না অৱাবা মায়োক্লহল্লে। হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু।

মীয়ামগীদমক পীরকপা চেঙ হুরানগে খল্লিবা অসি মরম য়াম্না চাদে। চীফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা এফ সী এসকী মিনিষ্টর অমদি হায়র ওফিসল কয়ানা মীপূম খুদিংমক্তা চেঙ কেজি ৫/৫ পীদবা য়ারোই হায়রিবদু থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। লোয়ননা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা মীয়াম্নসু লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। লায়না লাইচৎ অসিবু অমত্তা ওইনা পূল্লগা মায়থীবা পীমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙনরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) : ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবি সনা পাৎতা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা লন্নাই মীওইশিং অমদি লূপ কয়ানা লেপ্পুনা তেংবাঙবীরক্লি হায়না য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোম মেনেজিং কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট য়াঙ্গোই পিবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা এপ্রিল ২৪দা খুরাই চীঙ্গাংবম লৈকায়দগী নিঙোম্বম অঙৌবীনা মহাক্কী অপোকপা নিঙোম্বম উদোয়চান্দ লৈখিদবগী থা ৫ শুরকপা নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংবু চাকলেন পীজবিরম্মী। এপ্রিল ২৫দনা কোইরেঙ্গৈ বজারদগী থাংজম মেমা লৈমনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা মচানুপা থাংজম রাজেন মৈতৈগী ৩শুবা কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেগ ১, আলু, চিনি, হৱাই, বিস্কিটনচিংবা পীবিরম্মী। নুমিৎ অসিমক্তদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী নোংমাইথেম রোনেলনা লৈখিদ্রবা সুরিন্দর কোরগী মীংদা অঙাংশিংগীদমক চেঙ বেক অমা মখায়, আলু কেজি ৩০, হৱাই, অচাথাও, চিনি, বিস্কিট, ষ্টেস্নরি আইটেমশিং অমদি মাস্কনচিংবা পীবিরম্মী। এপ্রিল ৩০দনা টাইগর কেম্পতগী তখেল্লম্বম নবকুমারনা কাঙ্খল ১৫ পীবিরম্মী।

চেরোলসিনা হায়, মে ৯দনা পুরুম সাধুগ্রামদগী জীট বহাদুরগী মচানুপা জিটেন্দ্রগী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা চেঙ, অচাথাও, বিস্কিটনচিংবা পীবিরম্মী। মে ২৩দনা কৈবি ময়ায় লৈকায়দগী মোইরাংথেম দেবরঞ্জননা মহাক্কী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা মনা-মশিং, বিস্কিট পীবিরম্মী। ইটা নোর্থ ইষ্ট ৱার্ক ৱিমেন গ্রুপনা মল্টি ভিটামিনশিং পীবিরম্মী। ইরাবোৎ ফাউন্দেসন্না কর্ফিয়ুসিগা মরী লৈননা চেঙ বেগ ১, আলু, অচাথাও, তিলহৌ; য়ুথ হ্যুমিনিতি সর্কল, য়াইরিপোক্লা চেঙ বেগ ৩, হৱাই বেগ ১ পীবিরম্মী। মে ২৫দনা চৈবি কুমুদাদগী ৱাংখৈরাকপম মেমচানা মাগী মপুরোইবা লৈখিদ্রবা ৱাংখৈরাকপম অচৌবা লৈখিদবগী ৪শুবা কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা চেঙ কেজি ৪০, অচাথাও, হৱাই, মোরোক, এঙ্গাং নাপি, বিস্কিটনচিংবা পীবিরম্মী। মে ২৯দা তেংবাঙবীরকখিবশিংদি মোবাইল গেম গ্রুপ সন্দ্রেম্বী ফেমিলিনা চেঙ বেগ ১, হৱাই কেজি ২০, অচাথাও, আলু, ভেজিটেবলশিং, ফেস মাস্ক, সেনিটাইজর; রোয়ল এনফিল্ড আর ঈ ৬৫০ ক্লব, মণিপুরনা চেঙ বেগ ১, হৱাই, আলু, থাউনি। মে ৩০দা তেংবাঙবীরকপশিংদি জাৱা মোটোর সাইকল ক্লব, মণিপুরনা চেঙ বেগ ১, অচাথাও, আলু, তিলহৌ, চনম, ঙারি, হৱাই, থুম, বিস্কিটনি। চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েংখাদা সোসল ৱেলফেয়র দাইরেক্টরগী খূথাংদা চেঙ বেগ ২, তিলহৌ বেগ ১, হৱাই বেগ ১, আলু বেগ ১, অচাথাও লিটর ১৫গী টিন ১, সেনিটাইজর, মাস্ক পীবিরম্মী। থা অসিগী ১দা তেংবাঙবীরকপশিংদি ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম এ সীদগী নোংথোম্বম রাজেন্দ্রোনা চেঙ বেগ ৩, আলু বেগ ১, অচাথাও, হৱাই, সেনিটাইজর, মাস্ক, হিদাক; এম পি মহারাজ সনাজাওবা লৈশেম্বনা চেঙ বেগ ১, অচাথাও, এঙ্গাং-নাপিনিচিংবা; রামলাল পালগী ১৯৭৮ বেটচকী মহৈরোয়শিংনা চেঙ বেগ ২ পীবিরম্মী । হোমসিদা লৈরিবা অঙাংশিংবু নুংশিবীদুনা তেংবাঙবীরিবশিংগী মফমদা তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ সুর্যকুমারনা কন্টেনমেন্ট জোন্দা তেংবাঙ পীখ্রে

খাঙবোক, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯না অৱাবা তারবা ইমুংশিংদা এম এল এ খাঙবোক এ সীগী সুর্যকুমার ওক্রমগী মীৎয়েং মখাদা এন্টি কোভিদ টাস্ক ফোর্স খাঙবোক অমদি কোভিদ ভলুন্টিয়রশিংগা খুৎশম্নদুনা খাঙবোক্কী কোভিদ পোজিটিভ ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবদগী ইমুংদগী মপাল থোকপা য়াদনা লৈরিবা ইমুং মনুংশিংদা ঙসি চেঙ, হৱাই, আলু, থুম, থাওনচিংবা পোৎলম কয়ামরুম য়েন্থোকখ্রে।

অৱা অনা তারবা মতম অসিদা এম এল এনা মীয়ামগীদমক খনবীদুনা ঙমজবা খরদং মীয়ামদা ফংহনবীরিবা অসিগীদমক এম এল এবু ইমুং মনুংশিংগী মায়কৈদগী হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্লা তৌরু তৌরুবা খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইবীয়ু হায়দুনা ফোঙদোক্লরকখি।

অঙম অঙম্বা মতেং পাংনদুনা লাইচৎ অসি মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি : আর কে রামেশ্বর

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯গী চৈথেং মায়োক্লরিবা অসিদা মীয়ামগী অৱাবদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংবগী ৱাখল্লোন্দা পাৎশোই এ সীগী মনুং চনবা তোঙান তোঙানবা লৈকায় ৭তা আর কে ফোচ্যুন দিভেলপর প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্টর আর কে রামেশ্বরনা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

রামেশ্বরনা লুচিংদুনা এ সী অসিগী রামজি কবুই, শঙাইপ্রৌ কবুই, য়াম্বেম লৈকায়, ময়ায় কোয়বী চবুংবম লৈকায়, ময়ায় কোয়বী নিংথৌজম লৈকায়, সোয়াম লৈরক অমদি খম্নাম লৈরক্কী অপূনবা য়ূমথোঙ ১২৯০দা ঙসি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অসি খুৎশিন্নখিবনি।

পোৎলমশিং অদুবু য়েন্থোক্লদুনা আর কে রামেশ্বরনা হায়, লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা মায়োক্লদবা মীওই অমত্তা লৈতে। মীওইবা অমা ওইনা অঙম অঙম্বা মতেং পাংনদুনা লাইচৎ অসি থেংনবা তঙাইফদে হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা মতেং অসি পাংবনি। লুরবা তানফম অসিদা লৈঙাক খক ঙাইদুনা লৈগদবা মতম নত্তে। মীওই খুদিংমক্লা অঙম অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংনদুনা লাইচৎ অসি মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর ২ খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টক্তা শীজিন্ননবা ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অনী জিরিবামগী চীফ মেদিকেল ওফিসর ডা. ঈ ওকেন্দ্রোদা খূৎশিন্নখ্রে।

ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা জিরিবামগী এস পি এ ঘনশ্যাম শর্ম্মাসু শরুক য়াখি। হীরমসিগা মরী লৈননা রেদ ক্রোস সোসাইটি, জিরিবাম ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ঐচ রাজেনকুমারনা হায়খি, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লাকপা মতমদা মতেং ওইনবগীদমক ওক্সিজেন কন্সেন্ত্রেটর অনী থাবীরকই। হায়রিবা কন্সেন্ত্রেটর অনী অসি ঙসি জিরিবামগী চীফ মেদিকেল ওফিসরদা খূৎশিন্নখ্রে। মীয়াম্না মথৌ তারকপা মতমদা সী এম ও জিরিবামগা উনবীরগা মীয়াম্না শীজিন্ননবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী মায়কৈদগীসু হায়জরি।

চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ককচীং, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩দা লৈবা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইদুনা শূবা-নোম্বা চৎপা য়াদদুনা লৈরিবা মতম অসিদা কোভিদ-১৯না নাদুনা চৈথেং ফংলিবা ইমুংশিংগী অমসুং কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈবা কন্টেনমেন্ট অপূনবা ইমুং ৫০ অমদি খুদোং থীবা থৌদোক অমদগী শোক্তুনা লৈরিবা ইমুং অমদা হান্না ৱাবগাই এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইখিবা সোসল ৱার্কর ময়েংবম রঞ্জিৎ, অপোকপা মনিহার (হান্না মিনিষ্টর ওইরম্বা) না চান-থক্লবা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

কোভিদ টাস্ক ফোর্স, ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩গী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ময়েংবম রঞ্জিৎনা কোয়না চৎতুনা ইমুংশিং অদুদা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদু খূৎশিন্নখি। ঙসি এম রঞ্জিৎনা পীখিবা তেংবাঙ পোৎলমশিং অদুদি আলু, হঙ্গাম থাও, থুম, হৱাই মঙ্গল, পাপর, সর্ফ অমসুং সাপোননচিংবনি। সোসল ৱার্কর এম রঞ্জিৎনসু টাস্ক ফোর্স, ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩দা শেল ওইনা লুপা লিশীং ১ অমসুং মতেং পাংবীরম্মী।

অসিগুম্লবা চিরবা মতম অসিদা পুকচেল চাউরবা সোসল ৱার্কর এম রঞ্জিৎনা তেংবাঙ পীবিরকখিবগীদমক কোভিদ টাস্ক ফোর্স, ককচীং ৱাইরি ৱার্দ নম্বর ৩গী মায়কৈদগীসু এম রঞ্জিৎপু থাগৎপসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদসু ককচীং তুরেল ৱাংমা উয়োক চীংয়া ক্লব (য়ু সী সী) না মালেমগী ওইনা মীপায়নীংঙাই ওইরিবা লাইচৎ কোভিদ-১৯ অসিবু মালেমদগী মরূ ফুক্লা মুথৎখ্রসনু হায়না ঙসি ক্লব অসিগী থৌমীশিংনা থৌনি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা কন্টেনমেন্ট জোন্দা লৈবা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈবা ইমুংশিংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। ক্লব অসিগী কোভিদ-১৯ রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙ পীবিরকপা পূম্নকপু ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী ইমুং-মনুংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসন্না দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা ভি দি এফশিংনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মতমদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজমগী মীৎয়েং মখাদা য়েন্থোকখ্রে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি কে ঐচ জোন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, এসোসিএসন অসিনা ঙসিসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসন, আউট পোষ্টশিংদা লৈবা ভি দি এফ মেম্বরশিংগী য়ূম য়ূমদা চৎতুনা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে। মখা তানসু থবক অসি চথখিগনি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ৱারবা মতম অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী রেগ্যুলর পোষ্ট অমগুম পুং ২৪ সর্ভিস তৌরিবা ভি দি এফশিংসু লৈঙাক্লা চপ মান্নবা মীৎয়েংদা য়েংবীনবা তোল্ল-তারবশিংবু তেংবাঙবীরিবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অশনিকুমারনা এম্বুলেন্স খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী সেবা হি সঙ্গথনগী শরুক অমা ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী স্পোক্সপর্সনসু ওইরিবা এম দি এসকী চ্যেরমেন এম অশনিকুমারনা থাঙ্গদা লৈরিবা মীয়ামগীদমক এম্বুলেন্স অমা য়ুনাইটেদ ক্লব ওফ থাঙ্গ অমসুং কোভিদ টাস্ক ফোর্স থাঙ্গগী মেম্বরশিংদা খূৎশিন্নখ্রে।

এম্বুলেন্স খূৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা এম অশনিকুমারনা হায়খি, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী মতম অসিদা করাং য়াওনা থাঙ্গদা লৈরিবা মীয়াম্না হেল্থক্যের ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অৱাৎপা কয়া লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাক্লিবনি। কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিনা পীরকপা চৈথেং কয়ানা শোথদুনা লৈরিবা ঙামীশিং অসি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবনি।

ঙসি শীন্নখিবা এম্বুলেন্স অসিনা থাঙ্গগী মীয়াম মরক্তা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপশিং অদু অনা লায়েংশঙ নৎত্রগা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা পুথোক পুশিন তৌবদা মতেং ওইরগনি। থাঙ্গগী ভলন্টিয়রশিংনসু লায়না লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী ওথোরিটিশিংগা খূৎশম্ননা থবক তৌবীয়ু। লোয়ননা থাঙ্গগী মীয়াম্না মাস টেষ্টিং তৌবা অসিদা শরুক য়াবীদুনা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

কন্দেম তৌই : মুসু

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ওফিসতা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনখিবগী থৌওং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু) না কন্দেম তৌরক্লি।

মুসুগী প্রসিদেন্ট মাইবম মাইকেল, জেনরেল সেক্রেটরি কাঙুজম নরেসকুমার য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্রেটরিশিংনা পূন্না খূৎয়েক পীরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা চহী কয়া লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা অমদি মহৈরোয়শিংগীদমক্তগা কৎথোক্তুনা অরু অরুবা তাঞ্জাদা চোংথোক্তুনা লাকপদা নত্তনা থৱায় ফাওবা কৎথোক্তুনা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক্তা হোৎনদুনতা লাক্লিবা কুমজা ১৯৬৫দগী লৈরক্লবা এমসুগী ওফিসতা শকখঙদবশিংনা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হনবগী থৌওং চথবা হায়বসি লমদম অসিগী মহৈরোয়শিংদা শিংনবনি হায়না লৌদবা ঙমদে। এমসুগী ওফিসতা থোকখ্রিবা থৌদোক অসি অৱাংবা থাক্তা মুসুনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মখা তানা অসিগুম্বা থৌদোক অসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা মুসুগী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

বোমগী লান চথরকখিবা লাইবক থীবনি : ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস): মণিপুরগী খ্বাইদগী লীরবা মহৈরোয় লূপ অমা ওইরিবা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ওফিসতা বোমগী লান চথখিবা লাইবক থীবনি হায়না ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না ফোঙদোরক্লি।

ৱাইখোম মনি গর্লস কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম থোইথোইবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক মীয়ামগী অমদি মহৈরোয়শিংগী য়াইফননবা মতম চূপ্পদা কত্থোক্তুনা লাক্লবা এমসুগী ওফিসতা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং চথরকখিবা অসি লমদম অসিগী মহৈরোয় অমদি মীয়ামগী মায়োক্তা চথরকপা থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙমদে। থৌওং অসি অদুক্কী মতিক লাইবক থীবা অমনি। থৌদোক অসি অকনবা মওংদা য়ুনিয়নন্না কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক্তা লৈরিবা অসিগুম্লবা শেংলবা এমসুগী ওফিস অসিদা অমুক হন্না অসিগুম্লবা থৌদোক অসি থোকহনবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

দেসামনা লৈঙাক অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস): টিচরস এদ্যুকেসন হায়বসি প্রোফেসনেল কোর্স অমনি। টিচরস এদ্যুকেসন্দা লৈরিবা অৱাৎপশিং মতম চানা হাপ্পীননবা, কম্মন এন্ত্রান্স টেষ্ট তৌবীনবা অমদি খ্বাইদগী মরু ওইবা একাদেমিক ওদিট অসি অথুবা মতমদা তৌবীনবা লৈঙাক অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়না দেসামগী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি এস ঐচ রিসিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দেসামনা অশানবা মীৎয়েং টিচর এদ্যুকেসন্দা থমজবগী শরুক অমা ওইনা দিমান্দ কয়া তৌজবশিংগী মনুংদা লৈঙাক্লা আই টি ঈ পি হৌনবা ফিরেপ লৌখিবা অসি লাইবক ফবনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক চলাইদুনা লৈরিবা টিচর এদ্যুকেসনগী ফীভম অসি হায়নীংঙাই লৈতনা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীদবগুম থোক্লে। লৈঙাক অমদি এফিলিএটিং য়ুনিভর্সিটি ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অনীনা মীৎয়েং চঙবীনবা হায়র এন্দ টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী কম্মিস্নর, য়ুনিভর্সিটি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী দাইরেক্টর অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রারদা অইবা চেরোল পীদুনা ৱাকৎলবা ফাওবদা ইচম চম্বা ইস্যু অনী অসি ঙসি ফাওবা সোল্যুসন তৌবীদনা থম্বীরে।

টিচরস এদ্যুকেসনগী কোর্স পূম্বা কম্মন এন্ত্রান্স টেষ্ট (সী ঈ টি) অমগী খূথাংদা টিচিংগী এপটিচ্যুদ এন্দ এটিচ্যুদ (টি এ এ) লৈবা কেন্দিদেটশিং খননবা হোৎনবীয়ু। ৱাফম অসি তরাইনা লৌবীগনু, চহী ফারক্লবা দিমান্দ অমনি। কোভিদ-১৯গী য়েংলগা য়াগদবা ষ্টেন্দর্দ লৈবা কম্মন ওনলাইন সী ঈ টি তৌবীবা য়াই। লন্নাইগী ওইবা থোকঅ-থোকঅবা তৌবা অসি থিংবীয়ু। টিচিং হায়বসি প্রোফেসনেল কোর্সনি। ডাক্তর, এঞ্জিনিয়র, মিলিটরি ওইনবা লৌবদা কম্মন এন্ত্রান্স টেষ্ট তৌদুনা লৌরিবা অসিগী ৱাহন্থোক খঙনা টিচরগীসু লৌবীয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, টিচর এদ্যুকেসন ইন্সটিট্যুসনশিংদা লৈরিবা ফেক্কলটিশিং অসি একাদেমিক ওদিট অমদি মথৌ তারবদি একাদেমিক ভিজিলেন্সসু তৌবীয়ু। মদুগী চপ চাবা রিপোর্ট মীয়ামদা থম্বীয়ু। মসিনা প্রিন্সিপাল ওইবা য়াবা, হেদ ওইবা য়াবা ফেকলটি কনা কনা ৱাৎলিবগে হায়বদু খঙবা ঙমগনি। রুলগী ৱাংমদা লৈবা ওজাশিংগী শেমদোক্লবা তাঞ্জা অমা লাক্কনি।

কম্মিটি শেমদুনা লৈঙাক্কী ওইবা দি এম সী টি ঈ, ঐচ টি টি সী অমসুং এস সী ঈ আর টি (দি আই ঈ টি) শিংদা লৈরিবা ওজাশিং অসি চুম্না লৈরিব্রা, প্রাইভেট কোলেজশিংদা লৈরিবা অসিনা এন সী টি ঈগী নোর্মশিং শুনা লৈরিব্রা হায়বদু স্পোট ভেরিফিকেসন তৌদুনা পব্লিক দোমেন্দা থম্বীয়ু। কোলেজ খুদিংগী পেদাগোজিগী ওজাশিং অমদি ওপসনেলশিং ময়েক শেংনা ফোর্ম থাবা মতমদা হাপ্তুনা মহৈরোয়শিংদা মীনম্বা তৌরোইদবনি। পেদাগোজি ওফ লেংগ্বেজদা মণিপুরী (মৈতৈময়েক) কী ওপসনেলসু লৈহনগদবনি।

য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচর এদ্যুকেসন অসি পরম চুম্না চলাইবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইহন্নবা য়ুনিভর্সিটিগী পূক্নিং চিংশিনজরি। লোয়ননা লৈঙাক্কী ওইনা লৈরিবা এস সী ঈ আর টি (দি আই ঈ টি) অমদি দি এম সী টি ঈ, ঐচ টি টি সীশিং অসিনা নোর্মস কায়না লৈরগা প্রাইভেট কোলেজশিং অসিনা করম্না নোর্মস ঙাক্লা চৎলু হায়না শেমগদবনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মায়কৈ কয়াদগী য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ওফিসতা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌদোক অৱাং নোংপোক্তা লৈরিবা ষ্টেট কয়াগী মহৈরোয় লূপশিং য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

মিজো ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (মিজো জিরলাই পাওল) গী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি জে কোব লালমুৱানপুইয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এমসুগী ওফিসতা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বা অদু য়াম্না লাইবক থীবা অমনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্দা পূন্না থবক তৌমিন্নরিবা এমসুগী ওফিসতা থোকখিবা থৌদোক অসি মিজো ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ওথোরিটিশিংনসু অথুবদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎতুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

শিলোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এস এম এস য়ু) নসু এমসুগী ওফিসতা বোম লংশিন্দুনা এটেক চথরম্বা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম থাওম্বা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহৈরোয় কম্ম্যুনিতিদা চথরকখিবা থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থীবা অমনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু থৌদোক অসিগী মতাংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন, দেল্লী (মসাদ) নসু এমসুগী ওফিসতা হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌওং অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি।

মসাদকী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ূম জুলিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌওং অসি মহৈরোয় কম্ম্যুনিতিগী থবক থৌরমশিং অমদি খোল্লাউশিংবু নমথনবা হোৎনবনি হায়না লৌই। এমসুনা মহৈরোয় কম্ম্যুনিতিগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিং অমদি মণিপুরগী ইথিনিক কম্ম্যুনিতিগী রাইটস ঙাক্লনবা থবক কয়াসু তৌরিবনি। এমসুগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা মসাদনসু শৌগৎখিগনি লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু হীরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎতুনা অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ওফিসতা অতম্না হেন্দ গ্রেনেদ লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌদোক অসি য়ানীংদবা অমসুং পেন্দবা ফোঙদোকচরি হায়না খুন্থোকহনবী মৈরা পায়বী থাংমৈবন্দ মাইস্নাম লৈকায় অমসুং কব্রাবম লৈকায়গী সেক্রেটরি পি ঐচ বিনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লমদম অসিদা কোভিদকী চৈথেংনা ৱানরিবা মতম অসিদা অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোকহল্লম্বা অসি করি ৱাখলনো। এমসুগীদমক্তদি মমা ওইবীশিংনা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি। নুংঙাইতবা লৈরবসু ফোংনা ঙাঙন-শক্লসি। অমুক হন্না অসিগুম্বা থবক অসি তৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী ওফিসতা বোম পোকখায়হল্লম্বা থৌদোক অদু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, থৌবাল ইমানা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল ইমাগী সেক্রেটরি জেনরেল সনাতোম্বীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী খুন্নাই অসিগী শক্তম কন্ননবা ঈখেংগা লোয়ননা শেমখিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী লীরবা লূপ অমনি। এমসুনা মণিপুর অমদি মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। এমসুগী ওফিসতা বোম পোকখায়হনবা হায়বসি মণিপুরী খুন্নাই অসি মাঙলবসু য়ারে হায়বগা চপ মান্নে। মতুংদা অসিগুম্বা থবক অসি অমুক হন্না তৌবীগনু হায়রি।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপনসু এমসুগী ওফিসতা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লম্বগী থৌদোক অসি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী সেক্রেটরি নোংথোম্বম রধামনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এমসুগী হেদ ক্বার্টরদা বোম লংশিন্দুনা মহৈরোয়শিংগী শেংলবা মফম অসিবু মাঙ তাক্লবা হোৎনবগী থৌওং চথরক্লিবা অসি য়াম্না থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই। মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লমদমসিগী মহৈরোয় অমদি মীয়ামগীদমক্তা থৌনা ফনা মাঙজিল থাদুনা এমসুনা লাক্লি। খুন্নাইগীদমক্তা অফবা কয়া তৌদুনা মীয়ামগীদমক চেন চোংদুনা কদাইদা শোয়খিগদগে হায়দুনা হোৎনজরিবা মহৈরোয়শিংদা শিংনরক্লবদি লমদমসিগী মমা ওইবীশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। অসিগুম্বা অকি তুজংবগী থৌওং অসি পাংদবগী লিচৎনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু অসিগুম্বা থৌওং চথরক্লিবা মীওইশিংবু লোগী ওইবা চৈরাক পীবিয়ু হায়না চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।